# অর্জুনা এৱার্দি অমা ওইনা কুমজা ২০১৫দগী ঙসি ফাওবা প্রমোসন অমত্তা পীবিদনা থম্বীবসি ইথন্তা ইকায়জবা ফাওই



ৰাই সনাথোই
*(অর্জুনা এৱার্দি, ৰুসু)*

(ঙৰাংগী মখা)

অমরোমদা, ৰুশু হায়বা মশান্না অসিদা মণিপুরদগী অর্জুনা এৱার্দ লৌবা ঙস্বসি সুপ্নগী শান্নরোয় অহুমখক্তা ঙাইরি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১১দা ৰাংখেম সন্ধ্যরানিনা লৌরকখি। মথংদা ময়াংলম্বম বিমোলজিৎনা ফংবা ঙল্লকখি। মণিপুরগী ৰুশুগী অহুমশুবা অর্জুনা এৱার্দি ওইনা ঐহাক (য়ুম্নাম সনাথোই) না কুমজা ২০১৫ দা অমুক ফংলকখি।

ৰারী মখা তারদুনা অর্জুনা এৱার্দি য়ুম্নাম সনাথোইনা অসুম্না হায়রকখি, ঐখোয় ইশানা মিনিষ্টর, এম এল এ উনদুনা ইশাগী প্রমোসন পীবিয়ু হায়জবসি তশেংনদি ইকাইবা ফাওই। অদুবু, অসুক কুইনা শান্নরগা, লৌবা য়াবা মেদল, এৱার্দনচিংবা লৌরবা ফাওবদা, ষ্টার অমফাওবা হাপ্পীদবসিদি ইতোমতা পুক্লিংদা নীংহন্নবা পোক্লকই। ঙৰাংতা শান্নবা থোরকপা মীচং-শঙ্গ লৈবা অঙাংশিংদি ইরাই লায়না ষ্টার শৎ শৎ হাপ্লকপসু য়াওই। মসিনা করম তৌরিবজাংনো হায়বা অমা ঐখোয়দসু খলহল্লকই। অমরোমদা, ঐখোয়দি কুমজা ২০০৫ দগী ঙসিফাওবা অয়াম্বা মতমদা নেসনল কেম্প অহুমদা লৈজরকখি। চহী অমদা ইন্টরনেসনল অনী/অহুমগা নেসনলগা শান্নবা চৎপনা, ইশাগী ওইনা অঙম-অথৌ উনদুনা ৰারী শাগদবদুসু মতম ফংজদে। মীঙোন্দা চে-চাং শিন্নদুনা চেলহল্লবদু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তে। উনদবা, চেন্দবদি নত্তে।

মণিপুরদা অর্জুনা এৱার্দ ফংবা শান্নরোয়শিংগী মফম ইরৈ লৈতবদৌনা তৌই। মসিমদি পেঞ্জদে। ঐখোয়দি শান্নরোয় ওইনা হৌজরকপনিনা ৰানোমবসু হৈজদে। ঐগীদমক অয়াম্বা মতম কায়থোক্তুনা চেনবীগদবা মীসু লৈজদে। ইশামক্তা য়াম্না থাজনা শিন্নজরম্বা চে-চাং ফাওবা হঞ্জিন হঞ্জিন মাংখ্রে তত্তনা হায়বীবসিমদি তশেংনা ঐখোয়বু থওইবীদে তাকপনি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অখন্নবা নুমিত্তা লৈবাক শিন-থুংনা লাউথোক্লবা মতুংদা ইকাই খুম্নবা উৎপিদুনা পীবিমা অর্জুনা এৱার্দ ফাওবা চন্নফম লৈত্রগদি মখা তানা করি হায়জ গদবনো ঐখোয়সু খঙদ্রে।

অদুগা, মণিপুরদা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরিবা নেসনল গেমসকী গোল্ড মেদলসু ঐহাক্তি হঞ্জিন হঞ্জিন অহুম্লক শুরে পুজরকপা। অহানবা ওইনা গুৱাহাতি নেসনল গেমস (২০০৭), অনীশুবদা ঝরখন্দ নেসনল গেমস (২০১১), অহুমশুবদা, কেরলা নেসনল গেমস (২০১৫)তা সনাগী মেদল লৌজরকখ্রে।

কুমজা ২০১৫ দগী ঙসিফাওবা



গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ইশাগা চানবা প্রমোসন অমদি শোয়দনা পীবিরক্কনি খঞ্জরগা ঙাইজরি। চহী মরি হৌখিদুনা হৌজিক্তি কুমজা ২০১৯ লোইশিল্লক্কদৌরে। মখা তানা অমুক হংলুগদবসু নংগী ফাইলদু মাঙখ্রে হায়রক্কদ্রা খনবদা তনবসু ফাওরে। ঐখোয়না খ্বাইদগী থাজনা থমজবা এম এল এ, মিনিষ্টর ফাওবগী মরু ওইবা ওফিসতা নঙগী ফাইলদু মাঙখ্রে হায়দুনা তত্তনা হায়বিরকপসিমদি থৱায় হকচাং য়াওনা নুংঙাইজদে। ঐখোয়না তাংনা ফংজবা মতম ঙৈহাক কায়থোক্তুনা পীশিঞ্জরম্বা চে-চাং ফাওবদি খীত্তং চেকশিন্না থমহঞ্জনিংই। শান্নরোয় ঐখোয়বু মুন্না খংবীয়ু। লৈবাকসিগী অশেংবা লননি খনবীয়ু। ঙসি ঐখোয়না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নজবা ঙমজরিবসি ইমালৈবাক ইরমদম অসিবু নুংশিজরুবগীনি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### আর্জুন এৱার্দিশিংদা মীৎয়েং অমা

অদুগা, থবক-ইনখাংগী মতাং অসিদসু, নেসনল গেমসতগী মেদল লৌজরকখিবা, অর্জুনা এৱার্দ ফংজরকখিবদগী অতোপ অতোপ্পা মফম কয়াদগী থবক্কী ওফর অদুম ফংজখি। মহারাস্ত্রদগী, রাজষ্টান্দগী, আই টি বি পিদগী, সী আর পি এফতগী, একাদমি ময়াম অমদগী অদুবু ইশাগী ষ্টেটতগী শান্নজনিংবনা ঐহাক য়েস অমত্তা হায়জখিদে। ইশাগী ষ্টেটকী মমিংদা থোক্তুনা শান্নজবসিনা হেন্না নুংঙাইজবদগী ঐহাক মীরমদা চৎনিংখিদবনি। শুপ্নগী শেলখত্তংগী খল্লম্বা তারবদি ঐহাক চৎলম্বসু য়াই। মণিপুর গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈদুনা থবক তৌজনিংবদগী পুলিস দিপার্টমেন্টতা জোইন তৌজরকখিবনি। ঙসিদি ঐখোয়বু মশক খংবীরক্তবা, থওইদনা থম্বীবসি উবদা পুক্লিংসিদা পেন্দবা কয়া ফাওহল্লে। হৌজিকসু প্লেয়র ওইদুনা শান্নজরিবনিনা অতোপ্পা ষ্টেটকী ইমান্নবা মরুপ-মপাংশিংনা করি পোষ্ট পায়রবগে? রেঙ্ক কয়াদা লৈরিবগে হংলকপদা খুম্বা ইকাইজদুনা কোইচেন চেন্দুনা খাংলে। মরী লৈনবশিংনা অমুক্তংদি কুপ্পা খন্নবীয়ু। ঐখোয়গী এদ্যুকেস্নেল ক্বালিফিকেসন, শান্নবগী থাক, মেদলশিং অসি য়েংবীরগা করি করি তৌবীবা য়াবগে হায়বদু মতাং চাবদা অমুক্তংদি নৈনবীয়ু।

...মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?



৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ু-২৩ ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী পুজা গেলোট ফাইনেল চঙখ্রে

বুদাপেষ্ট, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী):

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্লিবা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর পুজা গেলোট ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কিলোগ্রাম ৫৩গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী পুজা গেলোটকা টর্কিগী রেষ্টলর জেনেব য়েটগিলগা লম্বা তৌনখি। সেমী ফাইনেল বাউট অদু হৌরকপদা টর্কিগী রেষ্টলর জেনেবনা ফজবা হেন্দুনা পুজা গেলোটপু পোইন্ট ৪-২দা হেন্দুনা লৈখি।



নীংশিংবা য়াই, টর্কিগী জেনেব য়েটগিল কুমজা ২০১৮গী য়ুরোপিয়ন জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংখিবা রেষ্টলরনি। পোইন্ট ২-৪দা শোথুরম্লবসু ইন্দিয়াগী রেষ্টলর পুজানা সেমী ফাইনেল বাউট অদুগী লোইশিল্লকপদা য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী শোথুখিবা পোইন্টশিং অদু ফুকৎপা ঙমদুনা ৮-৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পুজা গেলোটনা জপানগী হারুনো ওকুনোগা গোল্ড মেদল ফংনবগীদমক লম্বা তৌনগনি।

# নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং এফ সী গোৱা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে

Match on 02 Nov. (Sat)

HYD Vs KER

গুৱাহাটি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী):

গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ অমসুং এফ সী গোৱা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে।

ঙসিগী মেচকী মাঙওইননা টিম অনীমক মেচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা ১/১ দ্রো চৎনদুনা পোইন্ট ৪-৪ ফংদুনা লৈখি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা এফ সী গোৱানা ফজবা হেনবদগী নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদগী পোইন্ট টেবলদা থাক অমা হাইগৎলগা ৩শুবদা অদুগা নোর্থ ইষ্টনা ৪শুবদা লৈখি।



মেচ অদুগী অহানবা হাফকী পুঙ্খায় অমরোমদি লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। ৩০শুবা মিনটতা গোৱাগী হুগো বোমোসনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্টকী গ্যাননা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। ৭৪শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদগী রিদিম লালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদুনা মায় পাক্লগনি হায়না খনখিবা টিম অদুগী নীংবা কায়দুনা ইঞ্জুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী মনবির সিংহনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 2 | +5 | 6 |
| 2 | Jamshedpur | 2 | 2 | 0 | 0 | 5 | 2 | +3 | 6 |
| 3 | Goa | 3 | 1 | 2 | 0 | 6 | 3 | +3 | 5 |
| 4 | NorthEast United | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 3 | +1 | 5 |
| 5 | Mumbai City | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | +1 | 4 |
| 6 | Odisha | 3 | 1 | 0 | 2 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| 7 | Kerala Blasters | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 8 | Bengaluru | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 9 | Chennaiyin | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 4 | -4 | 1 |
| 10 | Hyderabad | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -7 | 0 |

# ওলিম্পিক ক্বালিফায়র মেচতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক চাউনা মায় পাকখ্রে

ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী):

জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা টোকিও সিটিদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াননবগীদমক হোকিগী ক্বালিফায়িং মেচশিং ঙসি ইন্দিয়াগী সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপা অমসুং নুপীগী মেচ অনীমক্তা ইন্দিয়াগী টিম চাউনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



ঙসি ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা নুপীগী মেচনা হান্না হৌখি। ইন্দিয়ানা য়ু এস এগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৫-১দা থোইবা ঙমখি।

মেচ অদু হৌরকপদগী ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়বা ঙল্লবসু অহানবা মিনট ১৫গী ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরগী লোইশিল্লকপা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী লিলিমা মিন্সনা পেনালটি কোর্নরগী মতেংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী খোঙজেল য়াঙখৎলকখি। ৪০শুবা মিনটতা সর্মিলানা পেনালটি কোর্নর অমগী মতেংনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং মখা তাবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা গুরজিট কোরনা চন্দুনা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

য়ু এস এগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু অহুমশুবা ক্বার্টর অদু লোইশিনবা ফাওবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর হেক হৌরকপগা ইন্দিয়াগী নবনিট কোরনা ৪৬শুবা মিনটতা মরিশুবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী মতুং মিনট ৫ লৈরগা ইন্দিয়ানা পেনালটি ষ্ট্রোক অমা ফংখিবা অদু গুরজিৎ কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৫-০দা লৈখ্রবা মতুং মেচ লোইগদবা মিনট ৬ ৱাৎলিঙৈদা য়ু এস এগী মেসননা পেনালটি ষ্ট্রোক অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। হয়েং অনীশুবা মেচ শান্নগনি। করিগুম্বা দ্রো চৎপা নৎত্রগা থোইরবদি ইন্দিয়া ক্বালিফাই ওইরগনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়ানা রসিয়াগা লম্বা তৌনখি। মিনট ৫ চংশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা পেনালটি ষ্ট্রোক অমা ঙন্না ফংদুনা খুদোংচাবা অদু হরমনপ্রিটনা পাঞ্জল ওন্থোকখি।

রসিয়াগী মায়কৈদগী ১৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী এন্দ্রি কুরেবনা ইক্বেলাইজর অদু ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা হন্দোকখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মনদিপ সিংহনা য়াম্না ফজবা খুদোংচাবা অমদা ফিল্ড গোল অমা হাপচিন্দুনা মিনট ৩০গী অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী অহানবা মিনট ১৫গী ক্বার্টর অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অহুমশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী সুনিল সোমপেদনা পেনালটি কোর্নর অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। মখা তারকপদা ৫৩শুবা মিনটদা ইন্দিয়াগী মন্দিপনাপাঞ্জল অমগা হাপচিল্লবা মতুং মেচকী অরোইবা মিনটতা রসিয়াগী মাটকোপস্কিনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা ৪-২দা ইন্দিয়ানা থোইখি। মখোয়সু হয়েং অনীশুবা মেচ শান্নগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা অমসুং কনাদাগী সাপোভালোব ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, জোকোভিচ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



পেরিস, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী টেনিস শান্নরোয় রোহন বোপনানা কনাদাগী দেনিস সাপোভালোবকা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় নোভাক জোকোভিচ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

রোহন বোপনা অমসুং সাপোভালোবনা য়ু এস এগী এ ক্রাইসেক অমসুং অর্জেন্টিনাগী মার্টিনেজ গোঞ্জালেসপু ৬-১, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা পেয়র অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী এম দানেল অমদি ওষ্ট্রিয়াগী পি ওসৱালবু ৬-৪, ৭-৫দা থোইরম্বা রসিয়াগী পেয়র কে খচানোব অমদি এ রুবলেবনি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদৌরিবা পেয়র অনী অদুদি য়ু এস এগী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জে সালিসব্যুরি লোয়ননা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিক অমসুং স্লোভেনিয়াগী এফ পোলাসেকনি।

রাম অমসুং সালিসব্যুরিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান পেয়র কলম্বিয়াগী জে এস কবাল অমদি আর ফরাবু ৭-৫, ৫-৭, ১০-৩দা থোইরমখি। অমরোমদা দোগিক অমসুং পোলাসেকনা ফ্রান্সকী রোজর বেসেলিন অমদি ওষ্ট্রিয়াগী জে মেলজরবু ২-৬, ৬-৩, ১০-৮দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোভাক জে াকোভিচ সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় গ্রীসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসপু য়াম্না কোমনা ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌবিরা শান্নরোয় অদু চিলিগী খৃষ্টিয়ান গারিনবু ৬-২, ৭-৫দা থোইরম্বা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোবনি।

ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অনী অদু ফ্রান্সকী গেল মোলফিন্স অমসুং কনাদাগী দেনিস সাপোভালোবকা থেংনরগা অতোপ্পা অদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ২ স্পেনগী রফেল নদাল অমসুং অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোয় জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাগা থেংনরগনি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জ শারলোলুক্স বেদমিন্টন ওপনগী সেমী ফাইনেল শান্নরগনি

সারব্রুকেন, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী):

জমর্নিগী সিটি সারব্রুকেনদা পাঙথোকপা সারলোলুক্স বেদমিন টন ওপন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী লক্ষ্য সেন অমসুং কিরন জোর্জ সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী কিরন জোর্জনা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোবকা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা ২১-১৪দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অদুবু অনীশুবা গেমদদি ফ্রান্সকী শান্নরোয় খৃষ্টো পোপোবকী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা প্রেসর পীরক্তুনা কিরন জোর্জকী সোট খুদিংমক মতুং ইন্নবা ঙমখি।





পোইন্ট ২১-২১ ফাওবা মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং কিরন জোর্জনা মখা তাবা পোইন্ট অনী মুনবা ঙমখিবদগী অনীশুবা গেম অদু ২৩-২১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অদুগী ৮শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা মমাঙগী চহীদা জুনিয়র থাক্তা শান্নরম্বা মতুং চহী অসিদা সেনিয়রগী কেটেগোরিদা শরুক য়াবা হৌরকখিবা লক্ষ্য সেননা জর্মনিগী মেক্স ৱিসকরচেনগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াবদি, লক্ষ্য সেননা হন্দক্কী চহী অসিদা টাইটল অনী ফংবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমদনা রন্নর্স-অপ তাহৌবনি।

ঙসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদা লক্ষ্য সেননা মেক্সপু ২১-১৩দা ইৱা ৱাদনা থোইবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেম অদুসু ২১-১৬তা থোইদুনা হয়েং কিরনগা সেমী ফাইনেল শান্নরগনি।